# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা নিতি আয়োগকী ৯ শুবা মীফম ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি।

২) নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট) য়ু.জিগী নৌনা শেমদোক্লবা স্কোর কার্দ এন.টি.এনা ঙরাং ফোংখ্রে।

অমসুং

৩) পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪, ওফিসিএল ওইনা ঙরাং নুমিদাং হৌদোকখ্রে।

------

নিতি আয়োগ ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা নিতি আয়োগকী ৯ শুবা গভর্নিং কাউন্সিল মীফম নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনগী কলচরেল সেন্তরদা ঙসি পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিগী কুমশি চহিগী হিরমদি- ইং ২০৪৭ তা বিক্সিত ভারত হায়বসিনি।

লৈবাক অসিবু ইং ২০৪৭ ফাওবদা চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসিনি। মীফম অদুদা নিতি আয়োগকী বিক্সিত ভারতকী ভিজন দোক্কুমেন্টতা য়ুম্ফম ওইরগা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

নিতি আয়োগনা হায়- মীফম অসিদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবা ৱাফম কয়া পুথোক্কুনা খন্নগনি। বিক্সিত ভারতকী পান্দম অদু ফংবা ঙমনবা রাজ্যশিংনা করি

থৌদাং লৌবা য়াবগে হায়বদুসু খন্নগনি। লৈবাক অসিগী অপুনবা পোত্থোক চাথোক্কী চাং য়ু.এস. দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৫ য়ৌহন্দুনা লৈবাক অসি মালেমগী অহুমসুবা শেল থুম পায়বা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। ইং ২০৪৭ ফাওবদা হৌজিক লৈরিবা চাং অসিদগী হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম য়ু.এস. দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৩০ য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি।

পুলিস (এল)ঃ   নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেন নিউ দিল্লিনা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজ পাঙ্গৈগা খুৎশমরগা পুলিস পার্সোনেলশিংগী জেন্দর সেন্সিতাইজেসন ৱার্কসোপ অমা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বস্কেট হোলদা ঙসি পাঙথোক্লগনি।

ৱার্কসোপ অদুদা নেসনেল কম্মিসনার ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন রেখা শর্ম্মা, মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজ পাঙ্গৈগী দিরেক্তর কবিব কে, মণিপুর পুলিসকী দি.জি.পি রাজিভ সিংহ শরুক য়াগনি।

নুপীগী মায়োক্তা চথবা সাইবর ক্রাইম, নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংদা পুলিসকী থৌদাং হায়বা ৱাফম কয়া ৱার্কসোপ অসিদা খন্নগনি।

এরেষ্ট (এল)ঃ    সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী থুংবী চীংখোঙদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ অমগী মীওই অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। মঙোনদগী লেথোদ গন অমা অমসুং লেথোদ সেল ১১ ফংলে।

কাংপোকপী জিলাগী বিজাং খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থি হুন্থবগী থবক চথবদা হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, ইম্প্রোভাইস মোর্তার রাউন্দ অহুম, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা অমসুং সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোলদা হায়- চুরাচান্দপুরগী লাইকা মাউলসাউদগী পম্পী অনি ফাগৎখি।

মরক অসিদা নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩৬৩ অমসুং নেসনেল হাইৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২৯৪ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা থোরকখ্রে।

কলেজ (এল)ঃ ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজ, থৌবাল ওক্রমনা শিন্দুনা কলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সনগী থৌরম অমা কলেজ অসিদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কলেজ অসিগী ইন্দোর হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ঐচ. মনোরঞ্জন শর্ম্মনা অথোইবা মীথুং ওইখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কলেজ অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওজাশিংনা নেসেনল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ গী চৎন কাংলোনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ইভিক্সন (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দসনা পুন্না শিন্দুনা অন্দ্রো পার্কিং, য়াইরিপোক রোদ অমসুং ৱাংখৈদা ঙরাং সর্ভে চথখ্রে। সর্ভে চথবগা লোয়ননা লম তকথোক্কদবা য়ুম্বুশিংদা ইভক্সিন নোটিশসু পীরমখি হায়রি।

কেম্প (এল)ঃ জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিগী দিরেক্তর পি. বিলাস সিংহগী লমজিং মখাদা থাং-তা, জগোই অমসুং ঈশৈ তন্বীবগী থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী রিলিফ কেম্পশিংদা ঙরাংদগী হৌদোকখ্রে। ঙরাং হৌদোকপা নুমিৎতা জিলা অসিগী অকামপাৎতা লৈবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিংদা থাং-তা অমদি জগোই তন্বীবগী থবক চথখি। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশমরগা শিনবনি।

নিট ঃ নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট) য়ু.জি. নৌনা শেমদোক্লবা স্কোর কার্দ ফোংলে। পরিক্ষা

অসি থাখিবা মহৈরোইশিংনা শেমদোক্লবা পরিক্ষাগী ফল মসিগী ৱেব সাইট- একজামস দোট এন.টি.এ দোট এ.সি দোট ইন নত্রগা নিট দোট এন.টি.এ ওনলাইন দোট ইনদগী য়েংবা য়াগনি। পরিক্ষা অসিদা মহৈরোই ১৭ না খ্বাইদগী মকোক থোংবা রেঙ্কতা লৈরে। এন.টি.এনা পরিক্ষা অসি চহি অসিগী মে ৫ দা লৈবাক অসিগী সহর ৫৭১ গী পুন্না পরিক্ষা সেন্তর ৭৫০ দা পাঙথোকখি। পরিক্ষা অদুদা মহৈরোই লাখ ২৪ হেনবনা শরুক য়াখি।

এন.টি.এনা হায়- পরিক্ষা অদুদা মতম মাংহনখি হায়না ৱাকৎলকখিবা মহৈরোই লিশিং ১,৫৬৩ গী পরিক্ষা চহি অসিগী জুন ২৩ দা অমুক হন্না পাঙথোকখি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিমকা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জেনেরেল বজেৎ ২০২৪-২৫ মখা তানা খন্নগনি। শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোকখিবা জেনেরেল বজেৎ অদু সাসন পায়রিবা দলশিংগী এম.পিশিংনা থাগৎপা ফোংদোকরি। অমরোমদা বিরোধি দলশিংনদি বজেৎ অসি লৌমী অমসুং মীয়ামগী খনদবা বজেৎনি হায়না মরাল শিরি।

সভাদা ঙরাং খন্নখিবা অদুদা বি.জে.পিগী জগল কিশ্বরনা হায়- বজেৎ অসি সমাজগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি মীয়ামদা নিংথিনা কান্নগদবা বজেৎনি।

বজেৎকী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অদু ঙরাং ফাওবদা লোইশিনবা ঙমদবদগী নিংথৌকাবদা অমুক মখা তানা খন্নরগনি হায়রি।

সিকল সেল ঃ লৈবাক অসিদগী সিকল সেল লায়না মুথৎনবা সরকারনা মথং চহি ফাওবদা চহি ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মী কোতি ৭ স্ক্রিনিং তৌগদৌরি। রাজ্য সভাদা অইবা ওইনা পীবা পাউখুম অমদা হকশেল রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাও যাদবনা হায়- স্ক্রিনিং অসি লায়না অসিনা শোকহল্লবা ত্রাইবেলনা খুন দাবা জিলা ২৭৮ দা চথগনি।

নদ্দা ঃ ভারতনা অফবা অমসুং চুনবা মমলদা হিদাক পুথোকপদা লৌরিবা থৌদাংবু কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা থাগৎলি। মহাকা হায়- ভারতনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী কান্নবা অমসুং খ্বাইদগী হোংবা হিদাক পুথোকপা ঙমলে।

ওলিম্পিক ঃ পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪, ওফিসিএল ওইনা ঙরাং নুমিদাং হৌদোকখ্রে। ফ্রান্সকী কোনুং ফাওদুনা চেল্লিবা সাইন তুরেলগী অকোইবদা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা লৈবাকশিংগী পেরেদ চৎখি। এথলিট লিশিং ১০ রোমা হি ১০০ হেন্না তোদুনা ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা মফম কয়া ফাওদুনা চৎখি।

পেরিস ওলিম্পিক্স অসিদা ভারতকী নুপী শান্নরোই ৪৭ য়াওনা পুন্না শান্নরোই ১১৭ না শরুক য়ারি। ভারতকী কন্টিঞ্জেন্ট অসিদা মণিপুরদগী শান্নরোই অনি ৱেথ লিফতিংদা সাইখোম মিরাবাই অমসুং হোক্কিদা সংলাকপম নিলাকান্ট শর্ম্মা য়াওরি। বেদমিন্টন শান্নরোই পি.ভি. সিন্ধু অমসুং টেবল টেন্নিস শান্নরোই সরথ কমলনা ভারতকী ফ্লেগ বিয়ারর ওইখি।

ওলিম্পিক্স গেমস হৌদোকখিবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারতকী কন্টিঞ্জেন্টতা য়াওরিবা শান্নরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। সোসিয়েসন মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতকী শান্নরোই খুদিংমক লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিঙাইনি। মখোয়গী হোৎনবা কনবা কয়া অদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু।

ক্রিকেট ঃ শ্রীলঙ্কা টি-ত্বেন্তি ৱিমেন্স এসিয়া কপকী ফাহনেল অনিসুবা টিম ওইরে। শ্রীলঙ্কাগী দাম্বুলাদা ঙরাং শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা শ্রীলঙ্কানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৩ দা থোইখি। কপ অসিগী ফাইনেল হয়েং ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কা শান্নগনি। মেটচ অসি নুংথিল পুং ৩ দগী হৌগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংবা পাডচেশিং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী লুচিংবা অহুম উন্নখিবা, ২৫ শুবা কার্গিল বিজয় দিবস মণিপুরদসু পাঙথোকখিবা অমসুং পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস হৌদোকখিবগী পাউ তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা পাউচেশিংদা ফোংনরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা- চীফ মিনিষ্টর বিরেন্না রাজনাথ, নিতিন গদকারি উন্নদুনা মণিপুরগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পোকফমদা- কোইরৈঙ্গে এয়ারফ্লিড ষ্টেটতা শিন্ননবা, হাইৱে প্রোজেক্টশিং অথুবদা লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- সি.এম বিরেনগী দিল্লি খোঙচৎ, মিনিষ্টর ময়াম উন্নরি, প্রাইম মিনিষ্টরদি উন্নদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, মণিপুর মেল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, মোর্নিং বেলদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, তমেংলোং টাইমস, গানফিউ মেল অমসুং সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরদসু কার্গিল বিজয় দিবস পাংথোকখ্রে, কার্গিল দিবসনা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনশিং পোকহল্লি হায়না পৱার মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি অতোপ্পা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

সনাৈলবাক পাউচেদা- ইন্দিয়া পুম্নগী য়েংবদা ঐচ.আই.ভি পোজিতিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলে, মণিপুরগী ওইনদি ঐচ.আই.ভি পোজিতিভ ওইবগী চাং হন্থরক্লে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মহেরোইশিং দিষ্টরবেন্স ফ্রি ইজ্‌কেসন জোন দিমান্দ ওইহনগদবনি হায়না পাক শন্না খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পেরিস ওলিম্পিক গেমস মমাংদা অমুক্তা উখিদ্রিবা থৌরম অমগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী শান্নবগী লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদা ফোংনরি।

মণিপুরী ফিলম বুং, টোরন্টো ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলদা উৎকদৌরি হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

অহানবা তদুই তাকো ফেষ্টিভেল কাংপোকপীদা হৌদোকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইম অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------